ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ২শুবা লেগতা ইটালিগী ক্লব রোমাগী মখূৎতা মায়থীরবসু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল হেন্দুনা ফাইনেলদা ভিল্লারিয়ালগা থেংনরগনি

রোম, মে ০৭ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা টুর্নামেনটশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ইটালিগী ক্লব রোমাগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীরবসু এগ্রিগেটতা ৮-৫দা থোইদুনা ফাইনেলদা স্পেনগী ক্লব ভিল্লারিয়ালগা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি ইটালিগী রোমাগী সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা লেগতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ূম্মু ওইরগা লন্দনগী ওল্ড ট্রাফোর্দতা শান্নখিবা অহানবা লেগ অদুদা য়ূম্মু ওইখিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা রোমাবু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা কবানি অমসুং ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা ইটালিগী সিটি রোমদা মফম অদুগী ক্লব রোমানা য়ূম্মু ওইরগা য়ুরোপা লীগকী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা লেগ অদুদা টিম অনীমক হৌবদগী লম্বা মান্নখি। অহানবা হাফতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী কবানিনা ৩৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা রোমাবু মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী জেকোনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা মিনট ৩গী মনুংদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় কৃস্টাটেনা ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ২-১দা মাঙজিল থাখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী কবানিনা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অদুবু শান্নবগী ৮৩শুবা মিন্টতা রোমাগী এটেক অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী দিফেন্দর টেলেজনা শোয়বদগী থকচিঞ্জখিবা বোলনা রোমাগী অহুমশুবা পাঞ্জল ওইখি।

মেটচ অদু রোমানা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ৩-২দা মায়থীবা পীরবসু অহানবা লেগকী মেটচতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ৬-২দা থোইখিবা অদুনা এগ্রিগেটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৮-৫দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগতা ইংলেন্দগী টিম অনী চেলসি অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা য়ুরোপা লীগকী ওইনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফাইনেলদা স্পেনগী ভিল্লারিয়ালগা লম্বা তৌগদৌরিবনি।

ভিল্লারিয়ালনা মখোয়গী য়ুরোপা লীগকী অনীশুবা সেমীফাইনেল লেগ অদু শান্নবদা ইংলেন্দগী ক্লব অর্সনেলগা ঙরাং লন্দনদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। অদুবু মমাং থাগী ২৯দা অর্সনেলবু ভিল্লারিয়ালনা য়ূম্মু ওইরগা শান্নখিবা অহানবা লেগকী সেমীফাইনেল মেটচ অদু পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবা মরম্না টিম অনীগী লম্বা অদু এগ্রিগেটতা ভিল্লারিয়ালনা ২-১দা হেনখিবদগী য়ুরোপা লীগকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চৎলিবা থা অসিগী ২৯দা য়ুরোপা লীগকী ফাইনেল মেটচ অদু পোলেন্দনা য়ূম্মু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গান্দসতা লৈবা মৈস্কি ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ভিল্লারিয়ালগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী সুমিট মালিক ওলিম্পিককী কোটা ফংখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৭ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা ক্বালিফাই ওইবা শান্নরোয় কয়া অমা য়াওখ্রবা মতুং ঙসি নুপাগী রেষ্টলর সুমিট মালিকসু ওলিম্পিক অসি শরুক য়াবগী খূদোংচাবা ফংখ্রে।

মশাগী চহী ২৮দা ঙাইরিবা সুমিট মালিকনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রবি দহিয়া, বজ্রং পুনিয়া অমদি দিপক পুনিয়াগা লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংলক্লবা হোৎনগদৌরিবনি।

সুমিট মালিকনা হৌখিবা ২০১৮ কমনৱেল্থ গেমস ২০১৮দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা রেষ্টলিংগী দিসিপ্লিন অসিদা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক্তা শান্নরোয়শিং অদুনা মমাংগী থংনবা কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙল্লবদি ক্বালিফাই ওইবগী অনৌবা কাঙলোন অদু টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপনি।

অমরোমদা, ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়না চাওনা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লম্বা অমিট ধনকর (কেজি ৭৪) অমসুং সটিয়াৱার্ট করিয়ননা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অদুদা মালিকনা মহাক্কী লম্বাশিং অদুবু কা-হেন্না প্রেসর ফংদনা মায় পাকখিবনি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা মলেসিয়া ওপন য়ৈথোকখিবদগী বি দব্লিয়ু এফতা ৱাহং কয়া হংখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৭ (এজেন্সী):

চৎলিবা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা মলেসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথোকখিবগী মতাংদা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসনগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংখ্রে।

মলেসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি সুপর ৭৫০ ইভেন্ট অমা ওইবদা নৎতনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমসু ওইরিবনি। মরম অদুনা ওলিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়াবা ঙম্নবা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াগদৌরিবা মলেসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদু য়ৈথোকখ্রবা মতুং শান্নরোয়শিংগী ওইবা মখা তাবা ক্বালিফিকেসনগী মতাংদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা করম-করম্বা টুর্নামেন্টশিংগী সেদ্যুল্ড থল্লবগে হায়না বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা হংখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইনা পি ভি সিন্ধু, বি সাই প্রনিট, চিরাগ সেথি অমসুং সাটৱিকসাইরাজ রানকি রেদ্দি মাংজৌননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। অদুবু লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াননবগীদমক্তা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ফজবা ঙম্নবা হোৎনবগী লম্স্বেল অদু মলেসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট য়ৈথোরকপা অদুনা নীংহন্নবা ফাওহনখি। মরুওইবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমাংদা কুমজা ২০১২গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল লোয়ননা নুপাগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা ঙল্লক্লবা কিদম্বী স্রিকান্ত য়াওনা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াদুনা পোজিসন ফজরগা টোকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াননবা পান্দম থল্লম্বনি।

মলেসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকখিবনা মরম ওইরদুনা মখা তানা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা চহী অসিগী জুন ১দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা নৌহৌননা মীৎয়েং থম্বা হৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, সিঙ্গাপোর লৈঙাক্লা ইন্দিয়াদগী লাকপা ফ্লাইট পূম্নমক কোভিদ-১৯গী মশীং ইন্দিয়াদা হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা অথিংবা থমখ্রবনি। অদুবু বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা সিঙ্গাপোর বেদমিন্টন এসোসিএসনগা ৱারী শানরি।

এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা টাইটল ফংদুনা আই লীগকী মঙলান থল্লকপা অমদি স্পেনগী সেভিয়াগা লৈনবা মরীগী মতাংদা কোচ গৌরমঙ্গিনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

কোলকাটা, মে ০৭ (এজেন্সী):

এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা কুমজা ২০২০-২১গী বি দি এফ এ সুপর দিভিজন লীগ টাইটল লৌবা ঙমদুনা আই লীগকী মঙলান নকশিল্লকপা অমদি স্পেনগী ক্লব সেভিয়াগা লৈনবা মরী অদুগী মতাংদা কোচ ওইরিবা মণিপুর মচা গৌরমঙ্গিনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে।

এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা বি দি এফ এ সুপর দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট অদুদা শুপ্নগী চহী ৩গী মমাংদগী শেম শারগা মকোক থোংবা ঙমখিবনি। মেটচ ১২ শান্নবদা ১০ মায় পাক্তুনা বেঙ্গলুরু এফ সী 'বি'দগী পোইন্ট ১ হেল্লগা লীগ অদুগী টাইটল ফংখিবনি।

পনবা য়াবদি, বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সী 'বি' মমাংদা শান্নখিবা বি দি এফ এ সুপর দিভিজনদা মকোক থোংবা ঙমদ্রবসু মঙাশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি। হন্দক্কী ওইনা বি দি এফ এ সুপর দিভিজন লীগকী ট্রোফি ফংলবা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী হেদ কোচ ওইরিবা মণিপুর মচা গৌরমঙ্গিনা শান্নবগী পাউগী চেন্নেল অমগা ৱারী শানবদা সুপর দিভিজন লীগ অদু মায় পাকপা অদুনা কদায় ফাওবা মরুওইবগে হায়বদুগী ৱাফম অদু ফোঙদোকখি। মমাংদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র মেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারম্লবা মতুং কোচকী থৌদাং লৌরক্লিবা গৌরমঙ্গিনা মখা তারদুনা নহা ওইরিবা ক্লব অসিনা মখা তারকপা ইন্দিয়াগী ওইবা আই লীগতা শরুক য়াননবগী লম্স্বেল নকশিল্লকখিবা অদুদসু হরাওবা ফোঙদোকখি।

বি দি এফ এ সুপর দিভিজন লীগ অসি ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমসু ওইরিবনি।

কোচ গৌরমঙ্গিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, টিম অমনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গা শান্নগদবা নুমীৎ অদুদা উৎপা ঙম্বা মশান্না অদুনা টিম অদুগী মায়ওন লেপ্পা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা তুংগী ওইবা অচৌবা মঙলান থমদ্রিঙৈদা টিম অদুনা থেংনবা মেটচ অমমম্গী ওইনা পাঙ্গল হাপচিন্দুনা মদুদা লাকপা রিজল্ট অদুগী মখা তানা মথংগী মেটচ লাকপদা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙম্বা অদুনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাংনি হায়খি।

বি দি এফ এ সুপর দিভিজনগী টাইটল লৌবা ঙল্লবা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী কোচ গৌরমঙ্গিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা, হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা স্পেনগী লালিগাদা শরুক য়ারিবা সেভিয়া ফুটবোল ক্লবকা চহী ৫গী ওইবা খূৎয়েক পীনদুনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্লবগী মতাংদা য়ানখিবা অদুগী মতাংদসু অফবা অমদি খুমাং চাওশিনবা থবক থৌরম কয়া লৈরে হায়না ফোঙদোরকখি।

সেভিয়া ফুটবোল ক্লবকা খূৎশম্নবা অদুনা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী হীরম খূদিংমক্তা অফবা অমদি কান্নবা খক্তা নৎতনা অতোপ্পা অমাংবা অমত্তা য়াওরোই হায়না ফোঙদোকখি। স্পেনগী ক্লব অদুগা মখোয়গা এক্সপরিয়েন্স অমদিৱাখল্লোনগী মতাংদা ৱারী শানদুনা অমনা অমগী অৱাংপশিং মেনশিনবা অমদি মরুওইনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অহেনবা কান্নবা ফংবা ঙমগনি হায়নসু গৌরমঙ্গিনা ফোঙদোকখি।

স্পেনগী ফুটবোল ক্লব অদুগী মায়কৈদগী মথৌ তাবা ওফিসলশিংনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকা ৱারী শানবা নৎত্রগনা বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী সেভিয়াদা চৎতুনা মখোয়গী এক্সপরিয়েন্সশিং অদুগী মতাংদা লৌশিং কয়া লৌশিনবা য়াবগী তাঞ্জা অদুসু পীরি হায়খি।

এ এফ সী কপ প্লে ওফ শান্নবগীদমক্তা সুনিল ছেত্রিনা লুচিংবা বেঙ্গলুরু এফ সীগী টিম মালদিভসকী সিটি মালেদা থুংখ্রে

বেঙ্গলুরু, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা এ এফ সী কপ প্লে ওফ টাইগীদমক্তা মালদিভসকী ক্লব ওইরিবা ক্লব ইগলসকা শান্নবগীদমক্তা লৈবাক অদুগী সিটি মালেদা থুংখ্রে।

বেঙ্গলুরু এফ সীনা এ এফ সী কপকী প্রিলিমিনরিগী অনীশুবা রাউন্দদা নেপালগী ক্লব ট্রিভুবন আর্মি এফ সীবু য়াম্না চাওনা হেন্দুনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং মালদিভসকী ফুটবোল ক্লব ক্লব ইগলসকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, মালদিভসকী ক্লব ইগলসনা বাংলাদেশকী ক্লব অবাহানি লিমিটেদ ধাকাগা শান্নগদবা অদু বাংলাদেশকী ক্লব অদু কোভিদ-১৯গী থেংনরিবা চৈথেংনা মরম ওইদুনা ৱিদ্রো তৌখিবদগী বেঙ্গলুরু এফ সীনা ক্লব ইগলসকা শান্নগদৌরিবনি।

বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী ত্বিটরদা ফোঙদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পূম্নমক মালদিভসকী সিটি মালেদা তেক্তা-কায়দনা থুংখ্রে হায়রি। ইন্দিয়াগী ক্লব অসিনা করিগুম্বা মালদিভসকী ক্লব ইগলসকা লম্বা তৌনবা অদুদা মায় পাকপা ঙল্লবদি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী কপকী মখা তাবা গ্রুপ ষ্টেজদা চঙশিনবা ঙমগদৌরি।

বেঙ্গলুরু এফ সীগী কোচ ওইরিবা জর্মন মচা মশাগী চহী ৫২শুরবা মার্কো পেজাওলিনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ক্লব অসিনা মালদিভসকী ক্লব অদুগা লম্বা তৌনবা মতমদা মপূং ফানা শান্নবা ঙম্নবগীদমক্তা মমাংদগী ট্রেনিং কেম্প চথদুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা থা অসিগী ১১দা শান্নগদৌরিবা এ এফ সী কপ প্লে ওফ মেটচ অদুদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী চাওনা মায় পাকপা ঙম্বগী থাজবা অদু লৈ হায়না কোচ অদুনা মখা তাখি।

চহী অসিগী লোরো স্পোর্টস এৱার্দতা রফেল নদাল অমসুং নাওমি ওসাকানা নুপা অমসুং নুপীগী খ্বাইদগী ফজবগী মনা লৌবা ঙমখ্রে

পেরিস, মে ০৭ (এজেন্সী):

মালেমগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মশান্নগী দিসিপ্লিনশিংদা ফজবা শান্নরোয়শিংবু খনগৎতুনা পীবা লোরো স্পোর্টসপর্সন ওফ দি ইয়রগী মনা ওইনা নুপাগীদা স্পেনগী রফেল নদাল অমদি নুপীগীদা জপানগী নাওমি ওসাকানা ফংবা ঙমখ্রে।

স্পেনগী রফেল নদালনা হৌখিবা চহীদা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ফংবা ঙমদুনা মশাগী করিয়রগী ওইনা ১৩লকশুবা ফ্রেঞ্চ ওপন টাইটল অদু লৌদুনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা গ্লান্দস্লাম টাইটল ২০ লৌবগী রেকোর্দ অদুগা মান্নবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, জপানগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় নাওমি ওসাকানা হৌখিবা চহীদা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টাইটল অদু মশাগী করিয়রগী অনীরকশুবা ওইনা ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াই, রফেল নদালনা লোরো স্পোর্টসপর্সন ওফ দি ইয়রগী মনা অসি হন্দক্কী অসিগা থারগা মরিরকশুবা ওইনা ফংবা ঙল্লিবনি। নদালনা মমাংদা ফংখিবা লোরো স্পোর্টসপর্সনগী এৱার্দ অদু নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল এৱার্দ, কম বেক শান্নরোয়গী এৱার্দ অমদি ব্রেক থ্রু শান্নরোয়গী এৱার্দ ফংখিবনি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা স্পেনগী টেন্নিস শান্নরোয় ক্লে কোর্টতা লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা রফেল নদালনা লোরো স্পোর্টসপর্সন ওফ দি ইয়রগী টেন্নিসকী মনা ফংখ্রবা মতুং ফোঙদোরকপদা, অতোপ্পা শান্নরোয়শিং পূম্নমক মনা অদু ফংবদা মহাক্কা চপ মান্নবা থাক্তা লৈ। অদুবু চহী ১গী ওইনা মহাকপু খল্লকপদা অপেনবা ফাওই হায়খি।

নাকল অমরোমদা, নুপীগী লোরো স্পোর্টসপর্সন ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী জপানগী টেন্নিস শান্নরোয় নাওমি ওসাকানা হৌখিবা চহীদা য়ু এস এদা অফ্রিকান অমেরিকানশিংবু নমথদুনা ওৎ-নৈবগী মতাংদা পুলিস পর্সনেলনা কুচু মুবা মীওই অমা হাৎপগী ঈহৌ অদুগা মরী লৈননা 'ব্লেক লাইফ মেট্টর্স' হায়বা কেম্প্যেনদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াখিবতা নৎতনা মহাক্কী মশান্নদসু ফজবা ঙমখিবগীদমক মনা অদু ফংখিবনি হায়রি।

মমাংগী চহীদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংবা ঙমখিবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা টিম ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখি। লাইফ এচিভমেন্টকী এৱার্দ অদুনা মমাংদা মতম শাংনা নুপীগী টেন্নিসতা মমিং লৈরবী ভিলি জিন কিংনা ফংখি। লোয়ননা স্পোর্টিং ইন্সপিরেসনগী মনা অদুনা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলগী শান্নরোয় ইজিপ্ট মচা মহমদ সালানা ফংখি।

ওফিসলশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙরাং থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মখা তানা ঙসি এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরকখিবদা, মণিপুরদা লৈরিবা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মেটচ কম্মিস্নরশিং, রেফরি এসেসরশিং অমদি রেফরিশিংনা তঙাইফদনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সন মপূং ফানা কাপথোক্কদবনি হায়রক্লি। ওফিসলশিং অদুনা এসোসিএসননা শীনবা টুর্নামেন্ট/লীগশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী সর্টিফিকেট উৎকদবনি হায়রি।

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)
IMPHAL : MANIPUR - 795004.

Imphal, the 5th May, 2021

No.B/3466/2020-RIMS/8656 : This is to inform that the last date for submission of Expression of Interest for providing Canteen and Mess Service at Neuro Block and various Hostels of RIMS, Imphal is extended for another 7 days upto 13/5/21. Any registered and authorized firms/agencies who wishes to submit their EOI may kindly submit their documents in a sealed envelope superscribed "Tender for providing Canteen and Mess service in RIMS, Imphal" on or before the closing date and time of submission of bids to the Administrative Officer, RIMS, Imphal.

The EMD for the purpose of EOI for providing Canteen and Mess Service at Neuro Block and various Hostels of RIMS, Imphal can be deposited through the Cashier, RIMS, Imphal.

Sd/- **K. Doungel,** Deputy Director (Admn),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/6966/8

L.G. MOTORS
(Vehicle Spare Parts Delivery Section)

- Manipur গী অথাপ্পা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা 2/4 Wheeler Vehicle গী Spare parts য়োনবিবা অমসুং পাম্বীবা মীওইশিংগী ওইনা L.G. Motors (Cargo) না Delivery খূদোংচাবা পীজরি।
- Senapati, Ukhrul, Chandel, Churachandpur, Tamenglong, Jiribam, Kangpokpi, Tengnoupal, Kamjong, Noney অমসুং Pherzawl গী ওইনা Delivery Asst. অথুবা মতমদা পামজৈ।

Please Contact : L.G. Motors (Cargo)
Mobile No. : 9774041523 / Whats App No. : 8787556934
H.Q. : Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West
Branches : Thangal Bazar, Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang, Sekmai & Samurou

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com